# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 21-08-2025)**

**সনাজাউবা (এল) ঃ** ইম্ফাল-জিরিবাম রেলৱে প্রোজেক্টকী থবক অথুবদা লোয়শিন্নবা রাজ্য সভাগী এম.পি. নিংথৌ লৈশেম্বা সনাজাওবনা কেন্দ্রদা তকশিনখ্রে।

রাজ্য সভাদা ঙরাং এম.পি. সনাজাউবনা স্পিসিএল মেন্সন ওইনা পুথোক্তুনা কেন্দ্র সরকারগী পুকিং চিংশিল্লদুনা হায়-ইম্ফাল জিরিবাম রেলৱে প্রোজেক্ট অসিগী জিরিবাম-খোঙশাং সেক্সন কিলোমিটর ৫৫.৩৬ কী থবক মপুং ফানা লোয়শিনদুনা ২০২২ দগী মথৌ তৌবা হৌখ্রে। অদুবু লেমহৌরিবা সেক্সনশিং হায়বদি-খোঙশাং-নোনেগী কিলোমিটর ১৮.২৫ অমসুং নোনে-ইম্ফালগী কিলোমিটর ৩৭.০২ শাংবা রেল লম্বী অসি হৌজিক লোয়শিন্দনা লৈরি।

মহাকা হায়-রাজ্য অসিগী নেসনেল হায়ৱেশিংদা বন্দ-ব্লোকেড তৌবা, নম হাদুনা শেল মুনবগী থবকশিংগী মথক্তা নোংজ্ থাদা লম্বী অসিগী মফম কয়াদা চিং নিংখায়বগী থৌদোক তোয়না থোকপনা নোংমদা তঙাইফদনা চংবা পোৎলমশিং ইম্ফাল তমা পুশিল্লকপদা চাউনা অপনবা ওইহল্লি।

**সেক্যুরিতি (এল)ঃ** রাজ্য অসিদা হৌখিবা পুং ২৪ অসিদা পামদবা থৌদোক থোকখিবগী পাউ লৈতে। সেক্যুরিতি ফোর্সনা মখা তানা পামদবা থৌদোকশিং থোরক্তনবা চিংনবা মফমশিংদা থিবা হুম্বগী থবক মখা তানা চত্থরি।

পুলিসকী পাউনা হায়-ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী শওম্বুংদগী প্রিপাককী কাডর অমা ঙরাং ফারে। থৌবাল জিলাগী থৌবাল ক্ষেত্রি লৈকাইদগী আর.পি.এফকী মীওই অহুমসু সেক্যুরিতি ফোর্সনা ফাগৎখি। মখোয়দগী চাকা মরি পানবা গাড়ি অমা মোবাইল ফোন অহুম, এ.টি.এম. কার্ড অমা, অধার কার্ড অমা, পান কার্ড

য়াওনা জিলা অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা লৈবা স্কুলশিংদা শেলগী দিমান্দ তৌনবা লিষ্ট অমসু ফাগৎখি। ফারবা মীওইশিং অসি মীচম মীয়ামদগী নম-হাদুনা শেল খোমগৎপদা চেন্নবা মীশকনি হায়রি।

অমরোমদা, নেসনেল হায়ৱে ৩৭, ইম্ফাল জিরিবাম লম্বীদা নোংমদা তঙাইফদনা চংবা মাল পুবা গাড়ি ১০০ সেক্যুরিতিগী অকনবা চেকশিন থৌরাংগা লোয়ননা পুথোরকখ্রে। লম্বীশিং অসিদা গাড়ি চৎথোক চৎশিন তৌবদা অয়েৎ অপন থোক্তনবা অকনবা ঙাকশেলগী চেকশিন থৌরাং লৌখৎলি। চিং অমসুং তম্পাক্কী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা চেক পোইন্ট ১১৬ হাংদোক্তুনা অচৎ অওকশিং চেক তৌবগী থবক চথুরি।

**কোবিদ (এল) ঃ** রাজ্য অসিদা ঙরাং নৌনা মীওই অমা কোবিদ পোজিটিব ওইখি।

রাজ্যগী হকশেল বিভাগকী চেরোল অমনা হায়-ইম্ফাল ইষ্টতগী মরি, ইম্ফাল ৱেষ্টতগী অহুম পুন্না মীওই তরেৎ কোবিদ নাইন্তিন টেষ্ট তৌবদা মীওই অমা পোজিটিব ওইবা থেংনখিবনি। চহি অসিগী জন্‌ অমদগী হৌজিক ফাওবদা পুন্না মীওই লিশিং ১,৬৭১ টেষ্ট তৌখ্রে। মসিগী মনুংদা ৩৬২ পোজিটিব ওইখিবনি। হৌজিক এক্তিব কেস অমা লৈরি।

**নোং (এল) ঃ** মেট ইম্ফাল সেন্টরনা হায়রি-রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা জিলাশিংদা লাক্লিবা নুমিৎ খরনি অসিদা অখাক অরাউ য়াওনা অকনবা নোং চুগনি।

ইম্ফাল ইষ্ট অমসুং ইম্ফাল ৱেষ্ট য়াওনা রাজ্য অসিগী জিলা খুদিংমক্তা অখাক অরাওগা লোয়ননা নোং চুগনি। অদুমওইনমক, উখ্রুল অমসুং কামজোং জিলাদদি ফিভম অসি মায়োকদবায়াই হায়রি। হায়রিবা নোংজগী চাং অসি মখা তানা রাজ্য অসিগী জিলা খরদা লৈখিগনি হায়না পাউ অদুনা মখা তারি।

**বৈসনোঃ** লোক সভানা ঙরাং প্রমোসন এন্দ এন্দ রিগুলেসন ওফ ওন লাইন গেমিং বিল-২০২৫ পাস তৌখ্রে।

বিল অসিনা ই-স্পোর্টস অমসুং ওন লাইন সোসিএল গেমসবুদি পুকিং থৌগৎলি অদুবু অকায়বা থোকনিংঙাই ওইবা ওন লাইন মণি গেমিং সার্ভিসেস অমদি মসিগা মরী লৈনবা এদভরটিজমেন্ট অমসুং ফাইনান্সিয়েল ত্রান্সজেক্সন তৌবদি অথিংবা থমলে।

ইলেক্ত্রোনিক্স এন্দ ইনর্ফোমেসন টেকোলোজি-মন্ত্রি-অশ্বিনি বৈসনোনা হায়-পাস তৌরিবা বিল অসিনা লৈবাক অসিগী মীয়ামগী য়াইফ থৌরাং কয়াদা কান্নবা পীরগনি। মসি প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা মতম পুমমক্তা লৈবাক অসিগী মীয়ামগী য়াইফনবগীদমক লেপলি হায়বদু উৎতুনা বিল অসি পাস তৌবনি।

**পিএমঃ** প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা হয়েং বিহার অমসুং নোংচুপ বেঙ্গোলদা চৎকনি।

মহাকা বিহারগী গয়াদা লুপা কোতি লিশিং ১৩ চংনা পায়খৎপা তোঙান তোঙানবা চাউখৎ থৌরাংগী প্রোজেক্ট খরনা শঙ্গাগনি, খরনা উরেপ উয়ুং তমগনি। মসিগী মনুংদা গঙ্গা তুরেল মথক্তা নৌনা শাবা থোং অমসু শঙ্গাগনি। মসিনা লমদম অদুগী মীয়ামনা চৎথোক চৎশিন তৌবদা খুদোংচাহন্দুনা মতম অমসুং শেল চংবা হন্থহল্লগনি। বিহারগী মুজাফরপুরদা হোমি বাবা কেন্সর হোস্পিতাল এন্দ রিছার্স সেন্টরসু শঙ্গাগনি। মসিনা বিহারগা থংননা লৈরিবা রাজ্যশিংদগী লাকপা মীয়ামদা অনা লায়েংগী লমদা হেন্না খুদোংচাবা পীরগনি। লুপা কোতি লিশিং ১,২৬০ চংনা পায়খৎকদবা অবার্ন দিবলপমেন্ট প্রোজেক্ট কয়াগী উরেপ উয়ুংসু তমগনি। প্রধান মন্ত্রিনা হয়েং গয়াদগী ন্যু দিল্লি তমা চৎকদবা অমৃত ভারত এক্সপ্রেস রেলগাড়িসু লমথাগনি।

**রাধাকৃষ্ণনঃ** এন.দি.এগী উপ রাষ্ট্রপতিগী মীরেপ সি.পি. রাধাকৃষ্ণননা ঙরাং পার্লিয়ামেন্ট হাউসতা মহাক্কী মীরেপ চে পীশিনখ্রে।

মীরেপ চে পীশিনবা অদুদা প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদি, কেন্দ্রগী মন্ত্রিশিং-অমিত সাহ, রাজনাথ সিংহ, জে.পি.নদ্দা অমসুং কিরেন রিজিজ্ অমদি এল.জে.পি. (আর) গী চিরাগ পাসৱান জে.দি.য়ুগী রাজিব রঞ্জন সিংহ অমসুং এন.সি.পিগী প্রফুল পতেল অমদি এন.দি.এদা য়াওরিবা দলশিংগী লুচিংবশিং শরুক য়াখি।

**দুরানঃ** ১৩৪ শুবা ইন্দিয়ান ওইল দুরান কপকী ফাইনেল থা অসিগী ২৩ দা শান্নরগনি।

দাইমন্দ হারবর এফ.সি. অমদি নোর্থ ইষ্ট য়ুনাইটেদ ফাইনেলদা লম্বা তৌনরগনি। ঙরাং কোলকাতাদা শান্নখিবা অনিশুবা সেমি ফাইনেলদা দাইমন্দ হারবর এফ.সিনা ইমামি ইষ্ট বেঙ্গোল এফ.সিবু পাঞ্জল ২-১ দা থোইদুনা ফাইনেল চংলকখিবনি।

**---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---**

মনিপুরদা ঙসি ফোংলিবা পাউচেশিংদা-৩৪ শুবা মনিপুরি লোলগী নুমিৎ পাঙথোকখিবা, গৃহ মন্ত্রি-অমিত সাহনা লোক সভাদা ক্রিমিনেল চার্জতা চেন্নবা পি.এম, সি.এম. য়াওনা মীয়ামগী মীহুৎশিং লৌথোকপা য়াবা বিল অমা পুথোকখিবগী পাউনা তোঙান তোঙানবা হেদলাইন তৌদুনা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংনরি।

সনা লৈবাক পাউচেদা-পি.এম. য়াওনা ক্রিমিনেল চার্জশিংদা চেন্নরবদি ফম লৌথোকবা বিল পুথোকখ্রে হায়না অহানবা হেদলাইন পীরি।

নুমিৎ ৩০ নিগী কষ্টদিদা লৈবা মিনিস্তরশিং থবক্তগী লৌথোকবা বিল

পুথোকখ্রে, ওপোজিসননা কোপিশিং শেগায়রগা লংশিনখ্রে হায়না সঙাই এক্সপ্রেস মনিপুরি এদিসনদা অহানবা হেদলাইন পীরি। পাউ অসি-নহারোলগী থৌদাংদসু অহানবা হেদলাইন তৌরি। ইন্ফাল-জিরিবাম রেলৱে প্রোজেক্টকী কন্সট্রক্সন ইন্ফালোমদগীসু পায়খৎনবা এম.পি. সনাজাউবনা তকশিনখ্রে হায়বা পাউ পাউচে অসিগী অহানবা লমাইদা ফোংলি।

হুইয়েন লানপাউদা-মনিপুরি লেঙ্গৈইজ ডেগী ৩৪ রক শুবা কুমওন থৌরম পাঙথোকখ্রে, মনিপুরদা পোল্লগা মনিপুরি লোল ঙাংবা ঙমদবা হায়বসি লাইবক থিবনি হায়না প্রোফেসার কামসোননা ফোংদোকখিবা অহানবা লামাইদা ফোংলি।

পোকফম পাউচেদা-হৌগৎলল্লিবা অঙাংশিংনা মমালোল ঙাংবা ঙল্লক্ত্রিবা অসি মমা-মপা ওইবশিংগী মরালনি হায়না লৈহাউথাবম সরতচন্দ্রনা ফোংদোকখিবা ৱাফম অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

রাজ্যপাল-অজয় কুমার ভালানা বিষ্ণুপুর জিলাগী লমাংদোং ইমা কৈথেল শঙ্গাখিবগী পাউ মনিপুরদা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

হৈঙাং রিজার্ব ফোরেষ্ট আইন কায়না শাজিল্লম্বশিং সেন্ত্রেল ফোরেষ্ট দিভিজননা তকথোকখিবগী পাউ সঙাই এক্সপ্রেস ইংলিসকী অহানবা লামাইদা ফোংলি। পিপলস ক্রোনিকলদসু অহানবা লামাইদা ফোংলি।

কেন্দ্র সরকারগা য়ুনাইটেদ নাগা কাউন্সিলগা ঙমখৈ পরিং শম্বল খাবগী মতাংদা ৱারী শান্নরগনি হায়বা পাউ অমা মোরনিং বেলগী অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

হান্নগী প্রধান মন্ত্রি-রাজিব গান্ধিগী ৮১ শুবা মপোক কুমওন থৌরম কংগ্রেস ভবনদা পাঙথোকখিবা পাউ, তোঙান তোঙানবা পাউচেশিংদা মরুওইবা পাউশিং ওইনা ফোংনরি।

হিলস হোর্ন বিল এক্সপ্রেসতা-মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফিয়ার্সকায়্নাইটেদ নাগা কাউন্সিলগা এফ.এম.আরগী মতাংদা ৱারী শান্নরগনি হায়বা পাউ অহানবা

হেদলাইন তৌরি। আইন কায়না পোপী থাবগী মতাংদা লিগেল এৱারনেস প্রোগ্রাম পাঙথোকখিবগী পাউনা অনিশুবা হেদলাইন ওইরি।